# এডিটোরিয়েল

## তুরেলখক্কগী খোঙনূং তেংবনা য়ারোই

মণিপুরগী মহৌশাগা মরি লৈনবা তুরেলশিং অসি মতম অমদা মীওই কয়া অমগী নংত্রগা মনাক্তা খুন্দাবা খুলশিংগী খ্বাইদগী চাউবা চানা থক্লবগা লোয়ননা ঈথৈ–লৌখোং কয়াগী রিসোর্ছ ওইনা শিজিন্নরম্বা ঙাক্তনি। হায়রিবা তুরেলশিং অসি ঙাক –শেনবগী মথৌসু তুরেলগী নাক–য়েৎতা খুন্দারিবা মীওইশিংগী ওইরম্বনি। অদুবু ঙসিদি তুরেলশিং অসিগী তোর্ব্বানদা তারিবা মীওইশিংনা থৌশাদবদগী অমদি তুরেলবু ঙাক–শেনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু মাংখিবদগী মণিপুরগী মনুংদা চেল্লিবা মরুওইবা অমদি মমিং লৈবা তুরেল পূন্নমক অসি মশক থিরবা অমসুং ঈশিং পৈশিনবা ঙমদবা তুরেলশিং ওলহনখ্রে হায়না লৌবা তাই। মীনা ৱাখল তাদ্রিবমখৈ মহৌশাগী ওইবা ফীভমশিং অসি কনবা লুগনি। চীংদা উ–ৱা পূন্নমক য়ানথৎলকপা অমদি তোঙানবা হীরম অমদা লমগী শরুক অদু শিজিননবা হোৎনরকপনা মরম ওইরগা ঈশিংগী হৌরকফম ওইরিবা মফম পূন্নমক অসি কংশিল্লকই। তুরেলবু হন্না য়েংবীদবনা মরম ওইরগা খোঙনূং থেনগৎলকপদগী ঈচেল কংলবা নংত্রগা তৎলবা তুরেলশিং হায়বদু ওইহল্লকই হায়বসিদি মীয়াম্না খংফম থোকপনি। মসিগীদমক এৱার্নেস প্রোগ্রাম তৌবগী মথৌ তাফম থোক্তবনি। মীনা ৱাখল তাদবদগী লৈঙাক্না মীয়ামদা পরা তম্বীনবা হায়রিবা প্রোগ্রামশিং অসি পায়খৎলকপনি হায়বা মীয়াম পূম্বনা য়াফম থোকই। হৌজিকসু তুরেল খোঙনূং তেঙথোকপগী ৱাফম অসি কয়া লুম্না লৌবা মান্দে। লৈঙাক্না পায়খৎপা থবক্কি হায়দুনা তোর্ব্বানদা খূল লীংদুনা লৈরিবশিং অদু তকখাইবগী থবক লোমদা ওইনা চত্থবা উই। মসিনা তুরেল অচৌবশিংগী ওইরিবা ফীভমনি হায়না লৌবা তারবসু মরু ওইবা ঈরম–খোঙলম কয়াগী মতাংদদি লৈঙাক্না মীৎয়েং চংবা উদে। ইম্ফাল অমসুং মরুওইবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী হেদ ক্বার্টরশিং অসিনা খ্বাইদগী চাউনা থেঙনরিবা অসি নোংজু থাদা দ্রেনেজ মতিক চাদবদগী হায়বদি ঈথৈ লৌখোঙশিংগী ফীভম ফত্তবদগী খুৎশেমগী ঈচাউ নংহনবা ঙাক্তনি হায়বসিমসু মীয়ামগী লুচিংবা পূন্নমক্না য়াফম থোকপা অমদি খংফম থোকপা ৱাফমনি।

হন্দক অনৌবা থৌশিল অমদা মণিপুরগী তুরেল অনি মরিল তেংলি। য়াম্না চুম্বা খোঙথাংনি, প্রজাগী য়াইফনবনি, পাল্লিবা লৈঙাকপুসু প্রজা মীপূম খুদিংনা থাগৎনরি। থাইনা ইপা–ইপু হাক্তক্তসু তুরেল মরিল তেংবা হাইবসি তঙাই ফদবা থৌশিল অমা ওইরম্মী হায়বসি অরিবা পুয়াদা য়াওরি। নিংথৌ খুদিংগী ৱাখল্লোন্দসু প্রজাগী অৱা–অনা থোক্তনবা মতম মতমগী ওইবা অচুম্বা থবক–থৌওং অখঙ–অহৈ তান্নরগা পাঙথোক্লরকখি হায়বসি চেম্বা য়াদ্রবা অচুম্বনি। নিংথৌনা মাগী প্রজাগী অৱা–নুঙাই খংবীদ্রবদি করম্না তংদু লৈতানা লৈঙাকপা ঙমগনি। অদুগুম্না পাল্লিবা সরকারসিগী মকোক ওইবনা প্রজাগী অৱা–নুঙাইগী মরম খংবা মথৌ তারিবনি। ৱাহৈশেল মরিল ঙসিদি ওম্থোকপা ফিভম অমদা লৈখিবনা মসিগী নাক–য়েৎ, মনিং–মমাংদা লিশাং শিংনা অৱাবা পিদুনা লৈঙাকসিগী মরুওইবা কেন্দ্র কয়াগী প্রজাশিং হা–কার লাওনরে। ইকং মতম ওইবনা হৌজিক ফাইরেল লমতাদবুদি মথি ফোংদ্রবসু নোংজু থা নত্তবদা খঙহৌদনা নুমিৎ নিনিদং নোং চুবদা য়াম্লবা সগোলবন্দগী প্রজা, কৈশামথোংগী প্রজা, নাউরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্র প্রজা অমদি অতৈ কেন্দ্র কয়াগী প্রজাশিং ঈচাউগী চৈথেং হেক্তা ফংলিবসি সরকারগী মিৎয়েং চঙবীদবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্রে। ঈশিংগী ঈচেল ৱাইশেলমরিন্না পুখিগদবদু ৱাইশেল মরিলনা মওং চাদ্রবনিনা পূন্নমক ৱান্নরে। ৱাইশেল মরিল নিংথিনা শেম–শাদ্রবদি মখল মখাগী ওইবা পেন্নদবা, লায়না লাইওং অমদি অশি–অনা য়াওরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মতম য়াম্না শাংনা ৱাইশেল মরিলদা রাজনিতি তৌরকপনা ঙসিদি মরিল অসিগী নাক–য়েৎ, মনিং–মমাংগী প্রজা খুদিং মীৎশিং নাশিংনরক্লে। অশান্বা মীৎয়েং (লোঙতার্ম প্লান) নত্তনদি ৱাইশেল মরিলগী চৈথেং চহি খুদিংগী তত্তনা থেঙনখিনি। প্রজাশিং চহি অমদা মশীং খংদনা ঈশিং থুম্বগী চৈথেঙ ফংখিগনি। অদুনা তুরেলশিংগী খোঙনুংদা চংলিবা মীৎয়েং অসিগা মান্ননা মরুওইবা ঈরম –খোঙলমশিংগী ফীভম করি ওইরিবগে হায়বসি হৌজিক য়েঙশিলহৌদ্রগদি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ইহৌ কয়া অমা অদুমক থেঙনখিগনি।

# এডিটরদা থারকপা চিঠি

## দিসএবলশিংগী ইহৌ সরকারনা ঙাইরিব্রা

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংবু সরকার অসিনা চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা থবক তৌই হায়বসিবু কদাই ফাওবা থাজনিংঙাই ওইরিবগে ? মশাগী হকচাংসু মপুং ফাবা মীওই অমা ওইবা ঙমদ্রবসু মশানা মশাবু খুন্নাইসিগীদমক অফবা থবক তৌদবা য়াদে হায়বা ৱাখল চেম্বা মীওই কয়া লমদমসিদা লৈ হায়বসি হন্দক মরক পাউচেশিংদা ফোংনরকখিবা পাউদগী খঙবা ঙম্মি। দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিং অসিগী হোৎনবা কম্বা অমদি অখাং কনবদু কদায় ফাওবা হোৎনবা লৈবগে হায়বসি মীপুম খুদিংনা খঙনরবনি। মসিগী খুদম হায়ববু ঙরাং মক্তদসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফাওবনা ফোংদোকখিবদু মীয়াম্না রেদিও শিংদগী তানখ্রবনি। মনকী বাত হায়না মীংথোম্বা রেদিও ব্রোদকাষ্ট থৌরমদুদা মহাক্না দিসএবল স্পোর্টস পার্সনশিংগা ঙাইহাক উন্নবগী থৌরম অদুদা মহাক্না খঙবা ঙম্মি হায়না ফোংদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা নত্তে, মিনিষ্টর অমদি লৈবাকসিগী ফম্নাইবশিংনা দিসএবলশিংবু নুংশিবা অমদি অমত্তা ওইনা য়েংবগী ৱাফম কয়ারক হন্না ফোংদোক্লখিবা লৈরবনি। অদুবু মখোয়না ঙাংথোকখিবা অমদি ফোংদোকখিবা ৱাফম কয়াদুগী ইথিলনা হকচাংগী ফীভম শোন্না লৈরবা মীওই কয়াশিংনা অনৌবা থৌনা কয়া পোক্তুনা মশাদা নত্তনা লৈবাক্কী চাওথোকচনিঙাই ওইবা মীংচৎ কয়া পুরকখিবা লৈরিবনি।

মখোয়শিংদুগী মনুংদা শান্নরোই, লাইরিক ইবা , লাই য়েকপা অমদি অতৈ অতোপ্পা কয়া কয়াদসুনি। মায় পাক্লবা শান্নরোইশিংদুগী মনুংদা , সুইমর অথৌবা অমদি আর্চর লুৱাংলাকপা, লাইরিক ইবা কৃপা , লাইরেকপা মাইকেলনচিংবা কয়া লৈরিবসিগী মমিং তাদবা মীওই কনাবু লৈরমখিগদগে। মখোয়না মায় পাকখিবগী ৱারিশিং মেদিয়াদা ফোংদোক্লক্লবা মতুংদা ইকাই খাঙদা কং কোৎলি হায়বগী মতৌগুম নুংশিবা শাবা মান্বা থৌরম পাঙথোক্লে হায়বসি দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংসিনা ঙাংনরি। মখোয়গী ৱাফমশিং অসি অহান্বা তাবা মতমদদী পুক্লিংনা পেন্দবদগী পংহায় হায়বনি হায়না লৌরম্মী। অদুবু ৱাফমসি মুন্না খন্নদবা য়াদবা ৱাফমদি ওইরক্লি। হকচাংগী ফীভম শোন্না লৈরবা মীওইশিং অসিনা পেন্নদ্রিবসি করিনো হায়বা ৱাফম সরকারনা পুক্লিং চংবা মতম ওইদ্রিবরনে। থবক চংবদনি খঙদে, সরকারগী লোইশকশিং অসি দিসএবল ফ্রেন্দলি ওইবা মওংদা শেমদবা অসিনা তাকপদি সরকার অসিনা হকচাংগী ফীভম শোল্লবশিংসিবু থওইদনা লৈরকপা মতম কুইরে হায়বসিদি চেম্বা য়াররোইদবা ৱাফম অমা ওইরে। মতাংসিদা লমদমসিগী অচম্বা মীচম অমা ওইনা সরকারগী মীৎ নাকোং ওইগদবা ৱাফম অমদি য়েংশিন্বিদ্রবা মীওই কাংলুপ অসিসু মীওইবনি হায়বা খঙদবা অসিনি।

ঐগা নক্না লোইনবা মীওইশিংনা ফোংদোরকপা ৱাফমদি সরকার অসি মেদিয়ানা মীৎ মায় পাংহন্নবা হোৎনবদসু তাদ্রবনিনা অকম্বা খোঙজং কয়া চংশিন্বনা ফরগদ্রা হায়বসিনি। মখোয়না তৌরকপা খোংজং চংশিল্লকপদা সরকারনা লাকশিন্বা হায়বসি অরায়বা অমদি ওইরোইদৌরিবনি। লৈঙাক্কী ওইবা তৌবা য়াবা য়াদবা নিয়ম কয়াসু লৈরি হায়বসি সরকারগী লিগেল এদভাইজর কয়ানা হান্না মাংজৌননা তান্নবা মথৌ তারক্কনি। অদুনা অরোইবা ওইনা থমজনিংলিবদি, দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিং পুন্নমকপু মীৎয়েং চংবদা খরা থিষ্টরবসু থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবা পুন্সিদা মায় পাক্লবা দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংবুদি সরকারনা থবক পিবা নত্রগা করিগুম্বা খরদি তৌফম থোক্লবনি।

অদোমগী,
নোংপোকঙম্বা মৈতৈ
রিমস রোড

# আয়ুস লায়েং অমসুং রিসার্চতা হেন্না মীৎয়েং চঙনরকপা–২

*টি ঐচ উদোই লুৱাং*

**''দীহে ফবনা অথোইবা লন্নী। দীহেনা লৈরিবমখৈ পূন্নমক লৈবনী। নারকান্দা দীহেগী ভেল্যু খঙবা তাইবঙ কনানা নাদ্রিঙৈদা দীহেগীদমক অহেনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলিবগে, হংনিংঙাই ওইরি। অকোইবদা লৈরিবা পাম্বীশিংগী ভেল্যু খংলবা অনা অয়েক ইরৈ তুরৈ পূম্নমক্তগী ঙাকথোকপা ঙমগনী। মরমদি, হকচাং ফবা ফত্তবা পূম্নমক চীঙাক্কী খুদোলনী। অসুম্না অকোইবদা লৈরিবা মীওইশিংগী ভেল্যু খঙলবা, সমাজসিদা মীহাৎ মীপূন অমদি মীনুংসি য়াওদবা মচৎশিং ঙম্নমক মাংখিগনী।''**

খ্বাইদগী মরু ওইরিবা মীওইবগী দীহে অসি কম্ম্যুনিকেবল ডিজিজ অমসুং নন কম্ম্যুনিকেবল ডিজিজ অনিসিনা মতম পুন্নমক্তা পীখন্নহন্ননবা হোৎনরি। অনিসিগী চৈথেং মায়োক্ল দ্রিবা কনাগুম্বশিংনা মীনুংশি য়াওদবা ক্রাইমশিং তৌদুনা মীওইবা খুনাইদা তত্তনা চৈথেংসু পীররি। মীওইবনা মীওইবগী ভেল্যুদা শিংথানিংঙাই ওইবা মীৎয়েং থমদুনা হেলথ সেক্টরদা মরু ওইনা এলোপোথিক সিষ্টেম, আয়ুস সিষ্টেম অমসুং রিসার্চতা খুমাং চাওশিল্লকপসি দীহেগী অনৌবা আশা ময়োন চোংহনবগা পাঞ্জক ওইরি।

**JUSTISICATION OF AYUSH:**

1. World Health Organistion (WHO) estimates that about 80% of world population relies on plant based medicines for their primary health care because of time tested result oriented, less toxicity, These systems are best known for preventive and promotive aspect. In the context of Manipur, it may be mentioned that the Ayush System, particularly Homoeopathy system of medicine is becoming popular among the common people as it is cost effective, having no side- effect and its medicines are easily available at affordable prices.

2. WHO further declared that chronic diseases are the leading cause of death, accounting for 63% of worldwide deaths (36 million people). Almost two thirds of global deaths are caused by chronic diseases such as cardiovascular diseases (48%), Cancers (21%) chronic respiratory diseases (12%) and Diabetes (3%). About 66.7% of Indian population is shared by mother and child which is also a weaker and vulnerable Section of the Society. The ecperience of physicians, documented literature and recent researchers has shown the efficacy of Homoeopathy in the treatment of various conditions affecting women during pregnancy, labour and after delivery as also diseases of children. Its medicines can be safly used without the possibility of adverse events in Sensitive conditions like pregnancy, lactation, infancy and early childhood etc. It is a fact that no one medical system can manage all the health care needs of Society and every system of medicine has its own areas of strength and weakness. The Allopathic system has effective treatment options in the management of acute infections, accidents and emergencies, surgical conditions etc. The traditional Indian system of medicine Ayurvada is Known for its efficacy in managing life style disorders, articular complaints etc. Similarly, Homoeopathy has its unique strength in the treatment of chronic diseases, allergic disordess, respiratory Complaints, gastro intestinal problems, Skin diseases, behavioral problems, Mother and Child deseases etc.

` In Ayush, the raw drug substances, mostly plant based but also from animal or other Sources are proceed through a series of dilutions and vigorous shaking where in the inherent dynamic properties are enhanced, whilst the toxity of the original substance is reduced. Thus, Ayush Systems of medicine are one of the fastest growing complementary/Alternate (CAM) Medical System in the world.

HEALTH CARE IN MANIPUR:

The health Service is primarily under the Govt Sector, although the private helth service share less than 10% of the total services. The helth system under the state health det is organised at three levels, each level supported by a referral centre. They are, (1) Primary care level comprising of Primary helth Sub-centres (PHSC), Primary health centres (PHC) and community health centres (CHC). Essential basic health care are provided at these level.

(2) Secondary care level comprising of CHCs and where comparatively better services are provided with basic specialist facileties.

(3) Tertiary care level where specialist and Super Specialist care are provided JN Hospital is providing the Service.

In addition, outreach health programmes are conducted by other Sector operating at State levels and District levels like NRHM, AYUSH programmes Blindness control Societies, TB, Malaria and Leprosy control Society, NMHP etc.

State heath Infrastructure in Manipur are shown at Table 1.

Manipur lying in the Indo-Myanmar biodiversity mega hotspot ranks in the 6th amongst the 34 biodiversity hotspots of the world. Out of around 12000 reported medicinal plants available across the globe, around 430 species are available in the North eastern region of India and among them 108 have been noted down as local medicinal uses in Manipur.

অসিগুম্বা হীদাক্কীদমক মরু ওইরিবা পাম্বীশিং অসি ৱাইল্ড ওইনা চীং পাৎ তুরেল অমদি লমহাং তুমহাংশিংদা মরাং কাইনা ফংলবসু মীওইবনা ভেল্যু খংদবদগী চন্নফম খংদ্রি। আয়ুস দিপার্টমেন্টনা হোৎনরবসু করি হেন্না কনর্সন ওইদবা ফোরেষ্ট দিপার্যমেন্ট অমসুং হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট অহেন্বা মীৎয়েং চংদুনা ক্রোপিং সিষ্টেম ওম্থোকক্লবা অনীগা চয়েৎ খোইয়েৎনহন্দুনা প্রোগেস লৈহন্দবগী মমি তারি। অসিদসু নত্তনা আয়ুস দিপার্টমেন্টগী লৈরিবা ষ্টাফ ২২০ লোমসি মতিং লৈনা থবক পাংবা ঙমগনী হায়বগী থাজবা লৈতে। মরমদি, ইং ২০১৫ গী মমাং ডাইরেক্তর হেলথ গী মখাদা লৈরম্মী। হৌজিক ফাওবা পৱার দিসেন্ত্রেলাইজ তৌবগী মমি তাদ্রি। অকক্লবা দিপার্টমেন্টশিংগী এলোকেসন, পৱার নীংথিনা য়াথোত্তুনা থম্বীরবদি দিপার্টমেন্টশিংগী শিংথানিংঙাই ওইবা এচিবমেন্টশিং লাক্কনী হায়বসিসু মীয়ামগী থাজবনী।

| Table 1. | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | State Level Hospital | 1 | JNIMS/J.N Hospital. At Present 376 beds are available with multi disciplinery treatment facilities. |
| 2. | District Hospital | 7 | |
| 3. | T.B. Hospital | 1 | |
| 4. | Leprosy Hospital | 1 | |
| 5. | Community Health Centre (CHC) | 17 | (Hill-6, Valley-11) |
| 6. | Primary Health Centre (PHC) | 85 | (Hill-45, Valley-40) |
| 7. | Primary Health Sub-Centre (PHSC) | 421 | (Hill-223, Valley-198) |
| 8. | Medical Dispensaries | 42 | (22 under District Council) |
| 9. | 50 - Bedded Integrated AYUSH Hospital, Lamphelpat. | 1 | |
| 10. | 10 - Bedded Homoeopathy Wings | 5 | |
| 11. | 10 - Beded Yoga and Nature Cure Wing | 1 | |
| 12. | 10 - Bedded Ayurvedic Wing | 2 | |
| 13. | Homoeopathic Dispensary | 1 | |
| 14. | District Tuberculosis Centre | 9 | |
| 15. | Mental Hospital | Nil | |

JNIMS/J.N Hospital. At Present 376 beds are available with multi disciplinery treatment facilities.

| SL. | ACTIVITIES/PROGRAMME |
|---|---|
| 1. | Setting up of 7(seven) 50- Bedded Integrated AYUSH Hospital at Thoubal, Kangpokpi, Senapati, Bishnupur, Tamenglong, Chandel & JiribamDistrict. |
| 2. | Setting up of 1 - Drug Testing Laboratory for ASU & H Drugs |
| 3. | Setting up of 1 - Homoeopathy Pharmacy (Manufacturing Unit) |
| 4. | Setting up of 4 - Mobile Medical Unit. |
| 5. | Establishment of Homoeopathy Council |
| 6. | TOT orientation of ASHA & ANM to the potential of AYUSH with respect to general wellness and preventive Healthcare. |
| 7. | AROGYA fair 2018 (February - March). |
| 8. | Distribution of Sport Medicine through AYUSH |
| 9. | Functioning of 10 - Bedded Homoeopathy Hospital at UHC, Singjamei.(February-March, 2018) |
| 10. | Functioning of 10 - Bedded Integrated AYUSH Hospital, Konjeng Leikai. (February - March, 2018) |
| 11. | Functioning of 7 (seven) nos. of Yoga Wellness Center. (March-July, 2018) |
| 12. | Setting up of AYUSH store at Directorate of AYUSH. (June, 2018) |
| 13. | Establishment of one State Herbal Garden at Kangla Fort. (October-December, 2018) |
| 14. | Establishment of 16 District Herbal Gardens at 16 Districts. (April-November, 2018) |
| 15. | Establishment 160 School Herbal Gardens at 16 Districts. (April-November, 2018) |
| 16. | Establishment of 800 Home Herbal Gardens at 16 Districts. (April-November, 2018) |
| 17. | IEC, Capacity Building and other Promotional Activities (Whole state). (April -November, 2018), |
| 18. | Training cum exposure Visit for Quality Planting Material Production & Post Harvest Techniques of Medicinal Plants (Whole state). (April- November, 2018) |
| 19. | Establishment of Semi Processing Zone (Whole state). (April- November, 2018) |
| 20. | Promotion & Aromatic Plants (Commercially viable) at selective areas of whole districts of Manipur. (April - November, 2018) |
| 22. | Potential of Employment Generation through Medicinal Plants Sector (1597 nos.). (April - November, 2018) |

# চাকখুম মৈ মুৎলবশু কলেজাদি ফুগায়দবা য়াদে নংত্রনে?

**য়েংঙু য়েংঙু বদা**

*ওইনাম চন্দ্রমনি*

যুগসে মতাঅমনিকো! হৌজিক্কানশে মওং অমনিকো! শুক্ষায়না শুম তৌদুনা মরৈরবা জুগোৎ ৱায়োং কয়া চানি থাজদে ঐখোয়গী ফুরুপ। হায়নরুবা হৌনরুবা তৌদনা ঐ–ঐনা ভাব তাবগী মহুত্তা ভাবপু মতাদ্রবা, বুদু চুদুনা মরৈরবা নোংমদি শোইদনমক্কী মীনাই নাইথাংগী পুন্সি মহিংদা ঐখোয়গী ফুরপ চিরি–চিরি য়ান্না ৱানা হিংবা শোয়ররোই হায়বসিমদি থাজবীয়ুকো ময়াম পূন্নমক।

ইসম সন্না হায়রবদা, ঙসি–ঙসিমক, হৌজিক–হৌজিকমক লুহোংবা পাম্থানি, অঙাংশিংগী নাহুৎ–নারেং থানি, য়ূম–কৈ শঙ্গাবগী থাশুনি মরুওইনা মৈতৈ–মীতৈ হায়বা কা হেন্না মীতৌ তন্না, অচাওরম কাবা পামজবা ফুরুপ ঐখোয়গী। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী পাখং ফারকপা অদুদগী য়ূম্বাল কৈবাল্লকপগী মতুং চহি খরফাও লমতা থাগী থাঙজ নুমিৎশে লুহোং–খোঙদোংবদি লায়রদনা অফ–নুংঙাই তানখৎকদৌবা থবক অমত্তা পাঙথোক্লরমদে। অদুবু, ঙক্লিবদি চহি খরগী মমাঙদগী, ফত্তে হায়রিবা নুমিৎশিদা লুহোং–খোঙদোংবগী থৌরম খরদি পাঙথোক্লখিবদুনি। মতাঙসিদা হংনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা মমাঙঊঙৈদগী লমতা থাগী থাঙজা শরোয় খাঙবা নুমিৎসিদা শরোয়–ঙারোয় ময়ামগী কুম অমগী চাকথা পীবা নুমিৎনি হায়দুনা য়ান্না কিনা–খংনা চৎনরকঅবা নুমীৎসিবু অফবা নুমিৎ থাবানগী মনুং চলহন্দুনা লুহোং–খোঙদোংবগী নুমিৎ লেপশিনবীরিবা অখং–অহৈশিংদুগী খূৎপায়দুগী ফোন্দুবু কমদৌরিবা জাৎনো? হোয়, তাইবং মপু। ঈশ্বরনা তাইবং মীওইবা ঐখোয়গী মত্তা শেম্বীরম্মবা, থম্বীরম্মবা চয়োল তরেৎ হায়বদি নুমিৎ ৭ নি অসিমক ফত্তবা অমত্তা নত্তে লোয়নমক অফবা নুমিৎ ঙাক্তনি হায়না লৌরশি হায়রশু মরুওইনা লমতা থাগী থাঙজ নুমিৎসিমদি কৈদৌঙৈদশু কনানশু অফবা নুমিৎনি হায়না লৌনবা থেংনরকখিদ্রি ঐখোয়গী ফুরুপকী ওইনা। মতাঙসিগা চান্নবা ইকাই –হঙ্গোইদনা হায়রবদা অসিগুম্বা নুমিৎ থাবানসিদা লুহোং–খোঙদোংখিবা লোয়ননা মরু ঈহুল তমখিবা মচা–মশুশিংদুনা হয়েং মীরোল তারকঅগা ঈরমদমসিগী খুন্নাইসিগী য়াইফনবা করিনো তৌরক্কদৌরিবা? মখোয়দুনা তাইবং ফাউরকঅগা লৌরক্কদৌরিবা শক্লোনশে শরোয়–ঙারোয়দগী করিশু তাররোই হায়বসিবু হায়মনবা থোকঅগদ্রনে? ওইবা তাবনি মখোয় মমা–মপাবু, হনবা মচা। ওইবা তাবনি মখোয় পোকলকপদগী মালেম লৈমশে হেন্না লূন্নবগী মচাক। হায়বা তাবনি পোকপদা হরাউদবা শিবদা কপনিংদবা মীশক্লি মখোয়শে।

হাক্তি হাকমল্লবনি ঐখোয়গী চৎনবীশে। অসি হায়–হায়দুনা ঐখোয়গী খুন্নাইগীদমক্তা ইপা–ইপু, ইমা–ইবেলশিংনা থম্বীরম্বা ফজখ্রবা চৎন–কাংলোনবুদি কানশি হায়বা নৎচদে। ফজখ্রবা ঐখোয়গী চৎন–কাংলোন্দা হেন্না মরিং –মরাংবগী মচু শঙজিল্লবা মশক খরদি নোংমা –নোংমগী মপাল–মরা তাহনখিদুনা ঙসিগী মীরোলশিংসিগী লু–তোংদা চঙশিনখিদুনা সাহৌ ফনা মকা লান্না শন্দোরকইবা পূকচৎপা লায়নাদগীশু হেন্না শাথিরবা লাইওং অসিগীদমক ঐখোয়না খু শেনবা তঙাইফদ্রিবশে। ঐখোয় অমুক্তং পুন্না য়েংমিন্নশি, লুহোং–খোঙদোংবা, দেব–কর্ম্ম কয়াদা মান্দোব ময়ায়দা থারিবা ফক্তা ভাবোক মমাঙ ফম্বা হায়বা ঐখোয়গী চৎনবী অমা লৈরিবসিদা মহৌশাদি চহি অহল ওইশিল্লক্লবশিংনা ফম্বগী চৎনবী লৈরম্মী। মদুগী ওন্ন–তৈনবদা হৌজিক্তি কদ্দায়? পুঙয়েবা অমদি ঈশৈ শকইবা পালাশিংদা শেল থাবদগী হেন্দোক্তুনা ভাবোক মমায় তাবা। মমাঙদা ফম্মীবা ভাবোকশিংদা শেল থাবগী চৎনবী অমা লৈরকপদগী ঙসি–ঙসিমক দেব–কর্ম্মগী মফম অয়াম্বদা মাঙদা ফম্বা হানবা তান্নবগী মচৎ অমা য়াউরকপগুম ফমভম হেক–হেক উরকপগী মচৎ অমা য়াওরকপগুম ফমভম লৈত্রফাওবদা ফক্কি মচিদা খজিক্তং ওইরশু নপ্পু নপ্পদি হায়বগী মওংদা য়ান্না ইকাই–শঙ্গোয় হাঙখৈ লেংগ–লেংগ কিকি–কিক ইন্নদুনা য়ান্না ৱানা চাকথুং য়াবদুনি ঐখোয়না ইকাইবীরিবদি। মসিগীশু মথক্তা, মসাগীতা খনবা শোসিয়েল ৱার্করগী, কলর শঙজিল্লবা মায়খুম উপশিল্লগা মীয়ামগী থবক–থৌরম, থৌদোক–ৱাথোক্তা চিংখদবা মীনি মাদি হায়হনজনিংবা, তুংগী পুন্সি খোঙচত্তা শেন্দোংখক্তগী য়েংদুনা অপঙবা মীয়ামদগী তোংজৈ থাদুনা ঈ চুপকদৌবগী তাঞ্জা চাবা য়েংঙিবা মীশক খরনা মীয়ামবু মমীৎ–মমায় থকহন্দুনা চবান থাবগী মওংদা পালা অমদি মান্দোব ময়োল অকোয়বদা শেল থাবগী কলচর অমা হৌদোকচরবশু মীচম –মীয়ান্না খুদুং ইনবিরমদ্রবদি কয়াগী মতিক ফরমগদৌবা? অদুদি নত্তরে। নোংমগী চরা অমগীদমক হাতে–হাতে থিদুনা চারীবা মীওইশিংশু, মসাগী অমদি ইমুং মনুংগী চাকখাওগীদমক করিশু খন্থরুবা তৌদনা মীনা তৌনৈ হায়দুনা দেব–কর্ম্মদা শেলয়াম থাবগী চৎনবীদগী থুনমক নাম্থোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি ইমুং–মনুং মৈশা লাংবতা নত্তনা ঐখোয়গী নাৎ, চৎনবী অমশুং খুন্নাইবু মশক ফজহনবদি লায়রদনা অমুবা কালি তৈশিলহল্লবনি হায়বশে ঐখোয় পূন্নমক খঙমিন্নবগী মতম থেঙমল্লবনি।

মতাঙদি চাদ্রে অদুবু, ঐগী থম্মোয়নুংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী ফুমদুনা থম্মকপা ৱাফম সিমতং মীয়ামগী মীৎ–নাকোং ওইননবা পাওদমজগে পূক্লিং চঙনা তাবীয়ু। ঐশে কর্ম্মধারি ফনা য়ান্না ওইরকখরে ঙসিফাউগী মনূঙশিদা। ইপা–ইমাগী, ইয়াম্বা অমশুং ইথকথোংবশিংগী। ঐখোয়গী শাগৈদি ওইদবা, শেবোৎ মরী–মাইরেল মরীগুম মরীদি হাইফেৎ থোক্লবা মীশক অমখক লৈরম্মী ঐখোয়গী য়ূমগা পংলাপ লাপ্পদনা। ঐখোয়গী ইমুংগী দেব–কর্ম্ম হেক থোকপগা মানা অসিন–অরাঙ, অওৎ–অপা শাদুনা হেক্তা হায়রৈ–হা ঈশৈনা অদু হলহনশি, দুহারনা অদু ওইহনশি পুঙনা অদুনা য়ৈহনশি, অদুইদুনা খোনবাং হনশি। ঐখোয়না খিত্তং য়েৎলুরবশু, এঃ অদু ওইরদি ঐ নখোয়গী কর্ম্মশি য়াউররোই হেক্তা হায়। চান্নবগীশু মানা অপাম্বা মওংদা সিনগে হেক্তা হায়গনি মানা লুপা ১ ফাও পুথোকপীরশু নত্তনা। অহলশিংনশু মাগী মায় য়েংবীদুনা মাগী অপাম্বদু চপ চানা থোকঅরে। মাবু পোকপা অহল লম্মনশু মথং–মথং শিরকই। শোরাৎকী। লান্ন থৌরমগী পালাগী করিগী অশুম ঙাঙনরকপা, চান–থক্লবগী শুম খন্নরকপদা ঐনা হায়রুই–ঈশৈ হনবগী ওইনা হৌজিক্কান্দি অদুনা ফৈ হায়নৈ, দুহারগীদি মদুগী মীশক্তো মমিং য়ান্না চৎখৎলকইবনি, খোনবাংবশু অদুইদুনা ফগদ্রা? খল্লি ঐদি। চান–থক্লবশু ঐখোয়দা তৌখিবা অদুক্ষায়না খরা মচু তানা...। মানা ঐগী ৱা ককথৎলগা হায়রকখি–ঐবুদি য়াই অদুদা ববাগা–ইমাগনা মদুগীদো য়ারমদেনে। ওম্থোক্লশু হৈনা লৈথোকখরে মাগী ৱাদো। লৈখিদ্রবা অহল অনিদুগা ৱাফং–চিনফংনবা য়াবা খোঙফমশু নত্তবনিনা। ঐ তুমিন্না অদুম লৈবা তাখি। অদুদগীদি শেক–শেক লাওবা পালা খরনা অদুম পাংন–শানবা হোৎনখি মখোয়গী কর্ম্মদো।

অশুন্না মসাগী ইমুংগী থৌদোক–ৱাথোক্তদি শেল খরখক্লা কোন্ননবা সিনবা, মীগীদনা মরোল–মরাং তাকঅশনু হায়বগী মতাগুম ইনশিনগনবা মীশিংবু ঐখোয়না থৌশারোয়দৌবনি। অদুগা চাগা য়েংনা চাদিং তৌবগী মহুত্তা চাকখুম মৈ মুৎলবশু মুৎনা কলেজাদি তৌদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনশে ঙসিদগী থাদোকঅসি ঐখোয়।